GAS NEWS

M /S R AND H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking upto : 25/07/2020
Valid from : 15/07/2020
Stock : 306
Contact Nos. 9366013547/8414824977/8413936705
Booking After 5 Days
Time : 8.00am to 12.00 noon
Sunday Holiday closed

POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT
Booking upto : 08/07/2020
Valid from : 01/07/2020
Home delivery within 3 days
Queries : 9366184547
Time 08:00 am to 10:00 am

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking upto : 02/09/2020
Valid from : 25/08/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 9089709738, 7005204180, 8787566191
Office Timing: 8.00 am to 11am
Will be delivered for 3days

KHORIPHABA NAMBOL
Booking upto : 05/09/2020
(Upto Sl. No. - 13235)
Home delivery Cont: 9366471778/883734974/9862602880

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UPTO : 10/09/2020
VALID FROM : 22/08/2020
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7.00AM T0 10.00AM

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto : 05/09/2020
Valid from : 31/08/2020
Gas booking counter open at Tera bazar Office.
Time : 7.30am to 11.00am

IMPHAL LPG SERVICE
home delivery upto date
Summit house no. LPG ID no
Address with land mark also
digital transaction and online payment encouraged

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-08/10/2020
Valid from-12/09/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing : 8:00AM to 2:00PM

LAMSANG GAS AGENCY
(Home Delivery only)
Booking upto : 10/08/2020
Valid from : 01/08/2020
Timing : 8.00am to12.00noon
Home Delivery Contact No. 8730087936 . (Within2or3days-delivery). Please submit Consumer latest mobile number.

M/S LAMBODARA INDANE SERVICE
Booking upto : 28/09/2020
Valid from : 10/09/2020
Delivery date : 23/10/2020
Home Delivery only.
For registration SMS IOC<space> 03852427434 <space>consumer no. to 9089024365. For booking SMS IOC to 9089024365.
Contact : +91 70053 82686 for enquiry. from 8 am 11:30 am

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 14/09/2020
VALID FROM : 08/09//2020
19kg AVAILABLE
TIMING : 08.00am to 10.00am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 22/09/2020
Valid from : 02/09/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 03/09/2020
VALID FROM: 31/08/2020,
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

RBD INDANE SERVICE
Booking upto : 11/09/2020
Valid from : 25/08/2020
Stock : 324
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12 Noon(Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday)
Contact no. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
(Delivery within 4 days)

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY DUE TO CONTAINMENT ZONE
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 7:00AM TO 12:00NOON
BOOKING UPTO : 25/08/2020
VALID FROM : 15/08/2020
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM 7630902992
YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL 6009689299
FOR SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM 7627968997
FOR LANGOL 7085977502
URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 7085198900/8131942156
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 9862792731, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

‘কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা নুপীগী পোলোইগী শেঙ্গাও, হ্যের বেন্দ শারিবীশিংদা চাউনা চৈথেং পীরি’

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ পাকশন্না শন্দোরক্লিবা অসিনা মরম ওইদুনা নোংমগী থবক শূরগা চাজরিবা মীচম মীয়ামদা চাউনা চৈথেং পীবদা নত্তনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোন্দসু নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লি।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিনা মণিপুরদা লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা পূন্না নুপীশিংনা ফিরোল তুদুনা, ফনেক লোন্দুনা, পোলোই, শেঙ্গাও অমদি লৈতেংগী ওইবা হ্যের বেন্দনচিংবা শাদুনা হিংজরম্বা মীওই কয়াসু কোভিদ-১৯না চাউনা চৈথেং পীরকপদগী হৌজিক ফেস মাস্কনচিংবা তোঙান-তোঙানবা দিজাইন্দা অমুক তুরগা মীয়ামদা ফংহনবগী থবক তৌরি হায়না খুদোল লৈতেংগী প্রোপ্রাইটর থোকচোম সপনানা পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা ফোঙদোরক্লি।

সপনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থোংজু পেচু লম্পাক্তগী থোকচোম ইবোপিশক অমদি থোকচোম ওংবী ইবেমপিশক্কী মচা ৮ (মচানুপা ২ অমদি মচানুপী তরুক) গী মনুংদা মহাক্লা তরেৎশুবনি। মহাক ক্লাস টেন ফাওবদং তম্লগা মখা তানা লাইরিক তম্বা তোক্লগা মশানা মশাবু থবক পীজদুনা অমদি শেম্হোক লৈনা মীপাল তাংদনা হিংবা ঙম্নবগী পান্দমদা ৱাখল মান্নবা মমান্নবীশিং, লৈকায়গী মচে-মচলশিং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইগা পূন্না নুপীশিংগী অকে-অমৌগী পোৎ-চৈ শাবা হৌরকখি।

কুমজা ২০১৮গী সেপ্টেম্বর থাদগী মহাক্কী লৈজবা লুপা ৫০০ রোম পুথোক্লগা মদুনা ফিলংনচিংবা মেটরিএলশিং লৈরগা নুপীগী পোলোই মওংগী শেঙ্গাও, নুপীগী শম পুন্নবা হ্যের বেন্দনচিংবা তপ্না-তপ্না শাবা হৌরকখি। মহাক্কী পোলোইগী শেঙ্গাওদা ঝমকি হাপ্পুনা শারিবা অসিদি মৌনহা অমদি লৈশাবীশিংনা য়াম্না দিমান্দ লৈ। মদুনা মরম ওইরগা পোলোইগী শেঙ্গাও অসিদি য়াম্না শারগা ষ্টোক্ত থম্বা ঙমদ্রি। পোলোইগী শেঙ্গাও অসি তোঙান-তোঙানবা মওংদা শারগা অমদা লুপা ৮০০দগীনা লুপা ১৮০০ ফাওবা য়োল্লি। মসিদা নত্তনা তোঙান-তোঙানবা মখলগী হ্যের বেন্দনচিংবা শারগসু মীয়ামদা ফংহল্লি।

‘খুদোল লৈতেং’ হায়রিবা ফার্ম অসিনা পোলোইগী মওং মানবা শেঙ্গাও অমা শাবদা খূৎ খরা চঙবনা নুমিৎ নীনিদি চঙই। অদুগা খরা চম্বা অদুনা নোংমদা শাবা ঙম্মী। মহাক্লা শারগা পুথোক্লিবা পোলোইগী শেঙ্গাও অসি মীঙোন্দগী তম্লবা নত্তে, মসি মহাক্না শেম শারগা অনৌবা মোদেল অমা ওইনা পুথোকপনি। অদুগা ফেস মাস্ক অমদি শম পুন্নবা তোঙান-তোঙানবা লৈতেংগী হ্যের বেন্দ অসিনা চৎলিবা চহী অসিগী হৌখিবা ওগষ্ট থাদগী শেম শারগা পুথোকপনি হায়রি।

মহাক্কী ফার্ম অসিদা নুপা অমা য়াওনা পূন্না মীওই ৮মুক্লা থবক শূরি। খুদোল লৈতেংনা পুথোক্লিবা তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিং অসি কৈথেলদা অমদি মরুপ-মপাংগী খূত্থাংদা অয়াম্বা য়োল্লি। মসিদা নত্তনা ইন্সটাগ্রাম অমদি ফেসবুক্কী খূত্থাংদা থাগৎলগা মীয়ামদা খঙহল্লবা মতুংদা ময়াম্না নুংশিবীদুনা ওদর তৌবীরক্লগা লৈবসু লাকই। মহাক্না শীজিন্নরিবা মেটরিএলশিং অসি কৈথেলদগী লৈরগা শীজিন্নবনি। কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা ইম্ফালগী কৈথেলদগী পোৎ চৈ লৈবা অসি য়াম্না নুংঙাইরম্মী। অদুবু হৌজিক্লা চৎথোক চৎশিন্দা খরা নুংঙাইত্রে। লোয়ননা পোৎ চৈ শিৎপগী চাংসু খরা হন্থরে। থা অমদা মহাক্কী ফার্মনা পুথোক্লিবা লৈতেংগী পোৎ-চৈশিং অসি য়োনবদা লুপা লিশীং ৭০দগী লিশীং ৯০ রোমগী চাংদা য়োনবা ঙম্মী। মসিদগী লাকপা শেনফমনা ময়ামগী খূৎশুমল পীখিবা অমদি পোৎ-চৈগী মেটরিএলশিং লৈবগী অচংমল খাইদোকখ্রগা লুপা লিশীং ২০/৩০ রোমদি লেম্মী হায়রি।

মহাক্কী তুংগী আশাদি খুদোল লৈতেংগী ফার্ম অসিদা থবক শূনীংবা মখূৎ-মশা খরা চৎপা মীওই খরা হেন্না হাপ্লগা নুপীশিংগী অকে অমৌগী পোৎলমশিং অসি খরা হেন্না পুথোকপা পাম্মী। অদুবু মাগী ৱর্ক্সসেদ অসি খরা পিকপা মরম্না খরা চাউবা অমা শানীংই। শীজিন্নরিবা মেছিনসু খরা ৱাৎপা মরম্না খুদোংচাদবা অৱাবা খরদি মায়োক্লরি। মরম অদুনা মরী লৈনবা মণিপুর লৈঙাক্লা গ্রান্ট য়াওবা লোন মচা অমত্তবু পীবিরগদি হেন্না পোথোক পুথোকপা ঙমগনি হায়নসু সপনানা ফোঙদোরক্লি।

লোকদাউনন‌া কোভিদ-১৯ থিংবা ঙম্লোই : সী পি আই

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : মীওই লাক্ষ ৩১ রোমতমক লৈবা পীক্লবা ষ্টেট অসিদা মালেমগী অরুবা লাইচৎ অমা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯না নারবা মশীং ঈশিং ঈচাওগুম্না লেপ্পুনা হেনগৎলকপদা লৈঙাক অসিনা মমাঙদা শোয়খিবশিং চুমথোক্কবা হোৎনদনা কম্যুনিতি ত্রান্সমিসনগী থাক য়ৌরক্লে হায়বগী মীপাইবা ৱাফম ফোঙদোক্লিবসি ইকায়নীংঙাইনি। ৱাফম অসিনা লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ থেংননবা শেমখিবা কম্মিটিশিং মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। লোকদাউনন‌া কোভিদ-১৯ থিংবা ঙম্লোই হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, দব্লিয়ু ঐচ ও, আই সী এম আর অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা পীবা গাইদ লাইনশিং চিন্দমক মীয়ামদা খঙহল্লগা তৌফম থোক্লবা থবকশিং পাঙথোকখিদবগী ফীভম অমা উবা ফংলিবা অসি অথুবদা চুমথোক্লবা হোৎনহৌদ্রবদি লোকদাউন মখা তানা লাউথোক্লবসু লাইচৎ অসিদগী নারবা অমদি শিখিবা মশীং হন্থহনবা ওইথোক্লোই। লৈঙাক অসিনা থম্মোয় শেংনা কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীবা পান্নবদি কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্লবা মীওইশিং লেম্না টেষ্ট তৌনবা হোৎনফম থোকই। অমরোমদা হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী হোস্পিটাল অয়াম্বদা পাম্লা শীজিন্নরিবা রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্ট কিটকী মখল অসিনা অথুবা মতমদা পোজিটিভ নৎত্রগা নেগেটিভ ওই ওইদে হায়বগী রিজল্ট পীবা ঙম্লবসু মসিগী রিজল্ট অসি চাদা ৫০/৬০ রোমদি শোয়বা মরমদগী টেষ্ট লোইখ্রবশিংসু মখা তানা আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌনবা হোৎনফম থোকই হায়খি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা লম্নাই হোস্পিটাল অমদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরুবদা পোজিটিভ ওইবী নুপী অমা চিংনবদগী মখা তানা টেষ্ট তৌরুবদা নেগেটিভ ওইরম্বগী ৱাথোক থোকখিবা কুইদ্রিবনি। মরম অসিদগী মেদিকেল দিপার্টমেন্ট, রিমস অমসুং জেনিমসনা শীজিন্নরিবা আর এ টি কিটশিং ক্বালিটি য়ৌই য়ৌদে হায়বদু হেল্থ মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা থিগৎনবা হোৎনগদবনি। কোভিদ-১৯না চাওনা শোকহল্লবা লৈবাক কয়াদা আর এ টি কিটকী মতেংনা টেষ্ট তৌরবশিং অমুক হন্না আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌনরিবসি অশেংবা পোজিটিভ ওইরবশিং খঙবা ঙম্নবনি। ঐখোয়গী ষ্টেট অসিদদি আর এ টি কিট হেন্না শীজিন্নরগা আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌদবা মশীং য়ামদবগী পোজিটিভ ওইরবশিং নেগেটিভ রিল্টি ফংলে হায়দুনা সর্টিফাই তৌরুবদগী লৈকায় লৈকায়দা পাক শন্না পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী কম্যুনিতি ত্রান্সমিসনগী থাক অসি য়ৌরকখিবনি হায়না এম এস সী, সী পি আইনা লৌই হায়রি।

অশিবা হকচাং ১ থৌবাল তুরেলদগী ফংলে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস): অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নুঙ্গাইপোকপী মপাগী থৌবাল তুরেলদা ঙসি নুপা অমগী অশিবা হকচাং অমা তারক্লে।

অশিবা হকচাং অদু নুপানি, মশক মমিং চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মশা পাবা চহী ৪০ দগী ৫০ রোমগী লেঙ্গা মানবা নুপা অদুগী মশাদা অঙৌবা ফুরিৎ অমা লিৎলি। মুরৈনবা মচুগী খোঙ্গ্রাউ লোংপেন অমা শেৎলি।

অশিবা হকচাং ফংফম অদুদা অন্দ্রো পুলিস অমদি ফোরেন্সিক সাইন্স য়ুনিটকী টিমশিং লাক্তুনা কুপ্না য়েংশিনখি। মতুংদা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু মশক খঙদোক্লবা পোরোমপাৎকী জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। মহাক্কী হকচাংসু খরা পুমথবা হৌরে। মহাক মতৌ করম্না শিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

এস ও পি ঙাকহনবদা সী এস ওশিং ...

লামায় ১গী মখা... পায়খৎহন্নিংবা অমদি তৌহন্নিংবা থবক কয়াগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি। তোঙান-তোঙানবা মায়কৈশিংদগী ফোঙদোক্লরকখিবা ৱাফমশিং অদুবু তারবা তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ থেংনবদা মথৌ তারিবা মেন পাৱর, হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯গী ফমুং মশিং হেনগৎহন্ননবা, ভেন্টিলেটর অমদি অতৈ মথৌ তাবা মচাক-মথুমগী অৱাৎপা লৈরিবশিংসু অথুবা মতমদা মেনখৎলগনি। কোভিদকী দেদিকেটেদ হোস্পিটাল মথৌ তাই হায়রিবসি লৈঙাক্লসু য়াম্না লুম্না লৌই। অদুবু দেদিকেটেদ হোস্পিটাল অসি নৌনা শাদ্রবসু রিমসকী দেন্টেলগী ব্লোক অমদি জেনিমসকী অহাংবা ব্লোক অমদা মথৌ তাবা ইক্বিপমেন্টশিং থম্লগা কোভিদকী ফমুং মশিং হেনগৎহন্নবগীদমক হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লগনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা এস ও পি ঙাক্লা চৎপা হায়বসি য়াম্লমক মথৌ তাই। মরম অসিনা লৈকায়-লৈকায় অমদি খুন-খুনদা এস ও পি ঙাক্লা চৎহন্ননবা হোৎনবদা সী এস ও অমদি লোকল ক্লবশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌবীয়ু। করম্বা মওংগী এস ও পি থম্লগা লায়না অসি শন্দোরকপা থিংদুনা মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমগদগে হায়বগী মতাংদসু লৈঙাক্তা অইবা ওইনা সজেসন পীবীরকউ। সজেসনশিং অদুদগী মরুওইবশিং অদু খনগৎলগা ষ্টেট পুম্বদা লৈরিবা লৈকায়-লৈকা অমদি খুন-খুনদা চৎনবা য়াবা এস ও পি অমা শেমসি। লাক্লিবা জন্যুৱারী, ফেব্রুৱারী থাদা কোভিদকী লাইচৎ অসি খ্বাইদগী চাং ৱাংনা শন্দোরকপা য়াই এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লরকপনা হৌজিক্তগী হৌনা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌবা মথৌ তাই। মীখলগা মরী লৈননা ঈ সী আইগী গাইদলাইন কয়া অমসু লৈরিবনি। মরম অসিনা মীখল অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদসু এস ও পি ঙাক্লা চৎহন্ননবা কন্না হোৎনরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এক্তিভ কেস মশিং লিশিং মরি...

লামায় ১গী মখা... দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১৩, এসিয়ন হোস্পিটালদা ১, চান্দেলদা ৩, সেনাপতিদা ৪ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১০২ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১৫৪, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৭১, থৌবালদগী ৩১, জিরিবামদগী ১, উখ্রুলদগী ২, চান্দেলদগী ৪, ককচিংদগী ১, তমেংলোংদগী ২৫, চুড়াচান্দপুরদগী ১৭, তেংনৌপলদগী ৪, সেনাপতিদগী ৬ অমসুং বিষ্ণুপুরদগী ২৩নি। তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী হল্লকপা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ৫ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী মীওই ২ পুন্না মীওই ৭ নত্তনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী অতোপ্পা মীওই ৩৩২ দি মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা থমখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে।

নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিং অসি থারগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কেস মশিং ১৬,৬২১ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৩,৯২৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৬৯২ নি। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলকপা কেস মশিংনা ১২,৩৯৩ শুরে। ফগৎলক্লবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১০,০১২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৩৮১ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৭৪.৫৬ ওইরি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ৪১০১ না এক্তিভ ওইরি। এক্তিভ ওইরিবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৩,৭৯৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩০৭ নি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা মশাগী চহী ৭০ শুরবা বিষ্ণুপুরদগী নুপী অমা, মশাগী চহী ৫৮ শুরবা নোনেদগী নুপা অমা অমসুং মশাগী চহী ৩৫ শুরবা বিষ্ণুপুরদগী নুপা অমা পুন্না মীওই অহুম লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অসি রাজ মেদিসিটি, রিমস অমসুং জেনিমসতা লৈখিদবনি। মণিপুরগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশিং ১২৭ শুখ্রে। অদুগা মীওই ১৯৬ না ঙসি দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯গী এৱ্যেরনেস কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেঞ্জম চিরাং খুলদা ঙসি সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সী, এস ঐচ জয়কুমারনা লুচিংদুনা কোভিদ-১৯গী এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা ফেস মাস্ক অমসুং সেনিটাইজরনচিংবা য়েন্থোকখ্রে।

লোয়ননা খুঙ্গং অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইরিবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা য়ূমদা নীংথিনা মপান থোক্তনা লৈনবা খঙহনখি। ঙসিগী পাঙথোকখিবা এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন অদুদা সেঞ্জম চিরাং য়ুঠ ক্লবকী ভলুন্টিয়রশিং অমদি খুরখুল পি ঐচ সীগী অশা ৱর্করশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

খুত্থাং চরা হেনবগী খোঙজং মখা...

লামায় ১গী মখা... হেনগৎলক্লি। ওক্টোবর থা অসিখক্তদা মীওই লিশিং ৭ হেন্না নারবা য়াই। নবেম্বর থাদা লিশিং ১০ হেনগনি হায়না পান্নরি। থা ১গী মতুংদদি নারক্লবশিং লায়েংফম লৈরক্লোই, মরম অদুনা লৈঙাক্লা ফমুং ৫০০ লৈবা দেদিকেটেদ কোভিদ হোস্পিটাল খুদক্তা শাবীয়ু হায়না মহৈরোয় লূপ ৬না তকশিল্লিবনি। মখা তানসু ফমুং ৫০০ লৈবা অতোপ্পা দেদিকেটেদ হোস্পিটাল মথং-মথং শাবীনবা থৌরাংসু তৌবীয়ু। পোইন্ট ১২গী মনুংদসু পল্লিবা সিনিয়র টিচর ৩০০ দগী তাদবা ওজাশিংবু ট্রেন তৌদুনা কম্যুনিটি লেভেলদা মীয়াম্বু লায়না-লাইচৎ অসিগী মরমদা তাকপী তম্বীহল্লু। কোভিদ-১৯গী লাঞ্জং অসি কম্যুনিটি পার্টিসিপেসন য়াওদনা থেংনবা ঙম্লোই। মসিগীদমক মীয়াম্বু মমুৎ তানা খঙহন্ননবা ওজাশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন পাক শন্না এৱ্যের্নেস তৌহনগদবনি। পুন্নমক অসি লৈঙাক্কী কম্প্রেহেন্সিভ ওইবা পোলিসী লৈতবদগী অমদি চৎনহন্দবগী তৌবা ঙমদবনি। মরম অদুনা কম্প্রেহেন্সিভ ওইবা কোভিদ-১৯ কাউন্টর মিজর পোলিসী শেম্বীয়ু হায়না চরা হেন্দুনা খোঙজং চঙশিল্লগা দিমান্দ তৌরিবনি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়াম্না লুরে অদুনা ঐখোয় খূদিংমক্লা তীন য়োৎথরগা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা মপুং ফাবা থৌরাং লৌখৎত্রবদি মণিপুরী খুন্নাই অসি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকপা থিংনবগী উপায় শুক্লে লৈত্রে হায়বদু নত্তে। ঐখোয়না চেকশিঞ্জরবদি লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা য়াই। হৌজিক ঐখোয়না মায়োক্লরিবা খুদোংথিবশিং অসি ঐখোয়না চেকশিল্লবদি, রেস্পোন্সিবিলিটি মশক খঙনা তৌরম্লবদি থেংনরম্লোই। মরম অদুনা মীয়াম্নসু লৌফম থোকপা থৌদাংশিং ময়েক শেংনা খঙসি। লৈঙাক্তা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি থবক ওন্থোকপীনবা অদুগা মীয়ামসু অসিগুম্বা লৈবাক্কী খুন্নাইগী অরুবা তানফম অসিদা লৌফম থোকপা থৌদাং মশক খঙনা লৌরগা কোভিদ-১৯ থেংননবগী খোঙজংদা শরুক য়াবীনবা তকশিঞ্জবা ওইনা রিলে হঙ্গর ষ্ট্রাইক খোঙজং অসি চঙশিঞ্জবনি। মরম অদুনা সী এস ওশিং, এন জি ওশিং, ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা লূপশিং অমদি লৈবাক মীয়াম পুন্নমক্লা মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিবু শৌগৎপীদুনা ফুরুপ অসিবু কোভিদ-১৯গী খয়াৎতগী কন্নবা হোৎনবদা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

এয়রপোর্ট দ্রগ কেসকী ৱায়েলদা...

লামায় ১গী মখা... খুৎশিন্নবদগী পি এস অসিনা কেস এফ আই আর নম্বর- ১১(১)২০১৩ অন্দর সেক্সন- ৯এ/২৫এ/২৯ এন দি এন্দ পি এস রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি অদুবু কেস অসি সী বি আইদা শীন্নবদগী এজেন্সী অসিনা কেস নম্বর আর সী- ৭/এস/২০১৩ (কোলকাতা) অন্দর সেক্সন- ২১/২৫(এ)/২৯/৩২ এন দি এন্দ পি এস এক্ট অমসুং ১২০ (বি), ৪২০, ৪৬৮, ৪৭১ অমসুং ৫০৬ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

দি এম য়ুনিভর্সিটিনা ফোঙখিবা এদমিসন সেলেক্সন লিষ্ট চৎনবা য়ারোই : এ এম এম এস ও

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : একাদেমিক সেসন ২০২০-২১গী বি এ, বি এস সী, বি কোম ফর্ষ্ট সেমিষ্টরগী এদমিসন সেলেসন লিষ্ট দি এম য়ুগী রেজিষ্ট্রারনা ফোঙলক্লিবা অসিদা অশোইবা অমদি অরানবা কয়া য়াওবনা চৎনবা য়ারোই হায়না ওল মণিপুর মুসলিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও) গী প্রসিদেন্ট পুসম জাবেদ অহম্মদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, য়াম্না ঙক্লিবদি নন ও বি সী- এম পি কয়া অমা ও বি সী - এম পিগী লিষ্টতা হাপচিল্লকপা হায়বসি ষ্টেট অসিদা মাইনোরিটি ওইনা লৈরিবা মীতৈ পাঙলবু লুম্না খনবীদবনি হায়না লৌদবা ঙম্লোই। লোয়ননা দি এম য়ুগী প্রোসপেক্টস ফোঙবদা ষ্টেট লৈঙাক্কী রিজার্ভেসন পোলিসি চৎনগনি হায়না ফোঙখ্রগা করি মরমগী ষ্টেট লৈঙাক অসিদা চৎনরিবা ও বি সী - এম পিগী চাদা ৪গী রিজার্বেসন পোলিসিদা খন্দবনো হায়বদু ষ্টেট লৈঙাক অমদি দি এম য়ুগী রেজিষ্ট্রারনা অথুবদা শেংদোরক্কদবনি। থৌওং অসিনা দি এম য়ুগী রেজিষ্ট্রারনা লাক্লিবা ওক্টোবর ২৬তগী ২৯ ফাওবা মেরিট লিষ্টতা সেলেক্সন তৌখ্রবা মহৈরোয়শিংগী এদমিসন তৌনবা কাউন্সেলিং পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙলক্লিবা অসি ও বি সী -এম পিগী ফংফম থোকপা সিট মশীংশিং ফংদ্রি ফাওবা খুদক্তগী কাউন্সেলিং অসি এ এম এম এস ওনা থিংজিল্লে। লোয়ননা শাংলবা মতমদগী মরী লৈনবশিংনা ও বি সী - এম পিগী চাদা ৪গী রিজার্ভেসন পোলিসিবু হায়র এদ্যুকেসনগী জেনরেল কোর্স তম্নবা এদমিসন টেষ্টশিংদা ঙসি ফাওবা পীদনা অমদি ফংফম থোকপা ও বি সী - এম পিগী রাইটশিং মৎলগা লাক্লিবা অসি ষ্টেট লৈঙাক্লা হন্দক্কী সেসন অসিদগী পীবিদবা তারগদি এ এম এম এস ওনা মীয়াম অমদি মহৈরোয়শিংগা খূৎশম্নদুনা মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শরে হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘সী এমনা চীং লৈবাক কোৎলিবসিগী মতাংদা য়েংশিনবীদ্রবদি অতোপ্পা পাম্বে শীজিন্নরগনি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী জুলাই ২৫দা তাখিবা মণিপুর হায়কোর্টকী য়াথং অমনা মণিপুর পূম্বদা কাঙলোন কায়না নূং, লৈঙোই অমদি চীং লৈবাক কোৎপদা অথিংবা থমখ্রবসু হন্দক মরক মণিপুরগী মফম কয়াদগী চীং লৈবাক কোৎপগী পাউ লেপ্পুনা লাক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা মতিক চাবা থবক লৌখৎত্রবদি অতোপ্পা পাম্বে অমা য়েংগনি হায়না সেল্ফ এনভাইরোনমেন্ট কেম্প্যেন কম্মিটি (এস ঈ সী সী) গী চ্যেরমেন মুতুম ইনাওবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নূং, চীং লৈবাক, লৈঙোই কোৎপগী তারিবা পাউশিংগী মরক্তা য়াম্না নুংঙাইতবা অমনা ইম্ফাল সিটিগী মনাক্তা লৈবা পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা চীংশিংদা লৈঙাক্কী ৱায়েল চুপলি পায়বদা য়াওরিবা অঙম অথৌশিং য়াওবগী মমি তারকপা অসিনি। হীরম অসিগী মতাংদা হায়কোর্টকী কেস অসিদা হকথেংননা পিটিস্নর ওইখিবা মুতুম ইনাওবী অমদি সেল্ফ এনভাইরোনমেন্ট কেম্প্যেন কম্মিটি, হৈঙাংগী মেম্বরশিংনা কূপ্না থিগৎপা মতমদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা কোর্টকী য়াথং থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবগী অচৌবা মরমদি আইন কায়না চীং লৈবাক কোৎপগী থবকশিং অসি অয়াম্বনা মনাক নকপদা লৈবা এম এল এশিং য়াওনা চত্থবদগীনি খঙবা ঙমখি।

মতাং অসিদা হায়জনীংবদি লৈবাক্কী অচৌবা ৱায়েল শঙ ওইরিবা হায়কোর্টকী য়াথংবু এম এল এ অমনা হেন্না লুম্না লৌরিবা করিগীনো। এম এল এ খরনা লান্না পাৱর শীজিন্নদুনা দিভলপমেন্টকী মীংদা মশাগী লন থুম লেপশিনবগী থৌওং অসিদা লৈঙাক্লা য়েংদুনা লৈরিবা করিগীনো। মণিপুর অসি অওনবা অফবা ষ্টেট অমা ওইহনসি হায়রবদি চীংখক্তা নানবগী মহুত্তা থবক ওইনা পাঙথোকসি। হীরম অসিগী মতাংদা থা অসিগী ১২দা চীফ মিনিষ্টরদা কমপ্লেন্ট লেটর অমা পীশিন্দুনা আইন কায়না চীং লৈবাক কোৎপদা চেন্নরিবা অঙম অথৌশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবসু হায়জখ্রে। করিগুম্বা সী এমনা হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্ত্রগদি লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা লৈঙাক্লা ৱারৌবীগনু। মরমদি ৱাথোক অসি ঙসি ঙরাংখক্কী নত্তে, হৌখিবা চহী কয়াদগী অঙম অথৌশিংনা দিভলপমেন্টকী মীংদা লেম্না নূং, লৈঙোই অমদি চীং লৈবাক কোৎলগা লৈঙাক্তা কাগদবা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম হাইহৎতুনা লাক্লবনি। ৱারোইশিন অমা পুরকপগী মতম ওইরে হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কফ সিরপ কার্টুন বোক্স ২৭কা কোন্ননা নুপা অমা ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : জিরিবাম পুলিস অমদি এন্টি দ্রগ সেল জিরিবামগা পূন্না খূৎশম্নরগা নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ জিরিবামগী লৈঙাংপোকপী খুলগী লম্বীদা লাকপা গাড়ীশিং চ্যেক তৌবদা পোৎ পুরকপা ট্রক (এ এস ০১ কে সী/ ২২৩৯) অমদগী কোফরেন সী দি কফ সিরপ বোটলশিং য়াওবা কার্টুন বোক্স ২৭কা কোন্ননা মীওই অমা ফারে।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুং ইন্না চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৮.৩০ রোম তাবদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি এন্টি দ্রগ সেলগী অপূনবা টিম অমনা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী ও সী লাইশ্রম খোগেনগী মীৎয়েং মখাদা লৈঙাংপোকপীগী খুলগী লম্বীদা লাকপা গাড়ীশিং খামদুনা চ্যেক তৌখি। মদুদা অসামলোমদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা পোৎ-চৈ পুবা ট্রক অমা চ্যেক তৌবদা কোফরেন-সী দি কফ সিরপ য়াওবা কার্টুন বোক্স ২৭ ফাগৎপা ঙমখি।

গাড়ী অদুগী দ্রাইভর বিপলোব বাইসনাব (২০) অপোকপা প্রোগোদে বাইসনাব কৌই। মহাক অসামগী খেলমা ভিলেজ পার্ট ফোর কাচিগেবোহ পি এস কছার দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবনি।

মঙোন্দগী ১০০ এম এলগী কোফরেন- সী দি কফ সিরপ বোটল ২৭০০ ফাগৎপা ঙমখ্রে। মঙোন্দা ৱাহং পাউহং চত্থবদা ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু নোর্থ ইষ্টর্ন ক্যেরিং কোর্পোরেসন লিমিটেদ এম এস রোদ গুৱাহাটিদা লৈবা অসিদগী পুরকপনি হায়রি।

কম্প্যুটর ত্রেনিং সেন্টর হাংদোকখ্রে

চান্দেল, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এন এস) : চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী নহাশিংবু ইনফোর্মেসন ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ কম্যুনিকেসন টেক্নোলোজি (আই ঈ সী টি) না লমজিংদুনা থবক ফংনবগী খুদোংচাবা লৈহন্নবগীদমক ঙসি দাইনা কম্প্যুটর সেন্টরনা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ত্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (এন আই ঈ এল আই টি) ইম্ফাল ৱেষ্টকা খূৎশম্নরগা চান্দেল দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা এন আই ঈ এল আই টি ষ্টদি সেন্টরদা কম্প্যুটর ত্রেনিং সেন্টর অমা হাংদোকখ্রে।

কম্প্যুটর ত্রেনিং সেন্টর হাংদোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী উপ অধক্ষসু ওইরিবা দাইনা কম্প্যুটর সেন্টরগী চ্যেরমেন এন জি বিমোলানা অথোইবা মীথুংলেন, এন আই ঈ এল আই টি অকাম্পাৎকী জোইন্ট দিরেক্টর এল শ্যামসুন্দরনা থৌরম মপু অমসুং এস দি ও চান্দেল এস টি রিথুং অনালনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুর লোলগী খোঙজং চঙশিনখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এনএস) : ইমালোল কন্নবগীদমক লেপ্পা লৈতনা চত্থরক্লিবা খোঙজংগী মখা তাবা ওইনা ঙসি কছার দিষ্ট্রিক্টকী ফুলরতাল দিগর পোইন্টতা কছারগী সী এস ও কয়াগা পূন্না খূৎশম্নরগা অয়ূক পুং ১০দগী নুংথিলগী পুং ৩ ফাওবা লম্বী থিংদুনা খোঙজং চত্থখ্রে। ঙসি চত্থখিবা খোঙজং অসিদা লখিম্পুরগী এস দি ও সিভিলনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা মফমদা লাক্তুনা ৱারী শানরবা মতুংদা য়ানবা অমা পুরকখিবগা লোয়ননা এস দি ও মশামক্লসু মীয়ামগী অপাম্বা অসিগী মতাংদা শোয়দনা হোৎনরগনি হায়না থাজবা পীরমখিবগা লোয়ননা মেমোরেন্দম অমসু খূৎশিন্নখি। ৱিমেন এক্সন কম্মিটি ফোর ভিলেজ প্রোটেক্সন (দব্লিয়ু এ সী ভি পি) গী প্রসিদেন্ট সুনিতা কোন্থৌজম্না ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ মণিপুরী লোলবু অসামগী এসোসিএট ওফিসল লোল ওইহনগদবনি হায়বা অসি পীদ্রবদি দুর্গা পুজাগী মনুংদসু অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীওই অনী দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কে জি তরুক্কা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২২ (ঐচএনএস): ককচিং কম্মান্দো য়ুনিটকী টিম অমনা পল্লেল পুলিস ষ্টেসনগী গেট মনাক্তা নম্বর য়াওদবা মহিন্দ্র জীপ অমা খামদুনা চেক তৌবদা মীওই অনী য়াম্লবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কে জি ৬.০৩৭ গা কোন্ননা ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, কম্মাদোনা ফারবা মীওই অনী অদুদি লিলোং সব দিভিজন লৈহাওখোংদগী বুয়াময়ুম অসলাম খান (২৪) অপোকপা এম দি অব্দুল হাকিম অমদি লিলোং হাওরৈবী উবাকথোং মথক্তগী এম দি অজামির হুসেন (২০) অপোকপা এম দি জাকির হুসেননি। মখোয়দগী গাড়িগী সীট মখাদা লোন্না পুরম্বা দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কে জি ৬.০৩৭ রোম ফাগৎপা ঙমখ্রে। দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদু মখা তাবা ৱাহং পাউহং চত্থনবা অমদি লিগেল এক্সন লৌখৎনবা ককচিং পুলিস ষ্টেনদা খূৎশিন্নখ্রে।

দুইরোং কৈথেল শঙ্গাখ্রে

জিরিবাম, ওক্টোবর ২২ (ঐচ এনএস) : তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা কাইমাই ভিলেজদা গ্রাময়া বিকাশ নিধি (জি ভি এন) নবার্দনা স্পোন্সর তৌরগা পিপলস ইন্দিবো ফোর সোসল চেঞ্জ (পি ঈ এস সী) না ইমপ্লিমেন্ট তৌবা নৌনা শাগৎপা দুইরোং কৈথেল (রুরেল হট) মার্কেট সেট অমা তমেংলোংগী এ দি সী অমদি চ্যেরমেন ওইরিবা নমসুরৈ পানমৈ অমদি মণিপুর রিজনেল ওফিস নবার্দকী জি এম/ও আই সী ডা. এম শ্রীনিৱাস রাওনা রিবন কক্তুনা শঙ্গাখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ২৯ এ আর কাইমাইগী এন এস মেজর অমৃট রাজ, তৌসেম পুলিসকী ও সী গৈরিক কমাই অমদি খুন অসিগী চ্যেরমেনসু শরুক য়াখি।

Every pregnant women should get tested for HIV during the first 3 months of pregnancy to prevent HIV transmission to their child.
HIV test is available free of cost at Integrated Counseling & Testing Centre (ICTC) at all govt health facility & nursing homes.
For more information call AIDS helpline no
1097
MACS
NACO
HL/B/6425/1 to 29 Oct. alt.